

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবদগী নুংঙাইতবা উৎলিবা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেরোলিনা প্লিজকোভা*

*অহেনবা খুদোংচাবা য়েংনবগীদমক জুন থা মনুংদা ইংলেন্দগী বেট্টিং কোচ ওইবগী ফম থাদোকপা য়ানা লৈরিবা মার্ক রামপ্রকাস*

## আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী অনীশুবা মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজনা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে

*নোটিংহাম, মে ৩১(এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা মালেমগী ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজনা পাকিষ্টানবু য়াম্না চাওনা ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।



অনীশুবা মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। পাকিষ্টাননা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ২২শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইদুনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ১০৫ দা লোইশিনখি।

পাকিষ্টানগী ওপনর ইমাম উল হক শুপ্নগী রন ২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা বাবর আজমগা অতোপ্পা ওপনর ফাখার জামানগা লোয়ননা মখোয়গী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

ওপনর ফাখার জামানবু বোল ১৬ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২২ দা আওট ওইখি। মতম অসিদা পাকিষ্টানগী বেটসমেন অনী আওট ওইখিবদা অপুনবা রন ৩৫ দা লৈখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা হারিস সোহেলসু রন মপুং ফানা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন ওইখিবা বাবর আজমবু বোল ৩৩ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২২ দা আওট ওইখিবদগী পাকিষ্টানগী ফিভম শোকচিল্লকখি।

মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ২০ য়ৌনা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখিবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু ২২শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ১০৫ দা লোইশিনখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লিংদা ওসানে থোমাসনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা পাকিষ্টানগী বেটসমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমখি। কেপ্টেন জে সন হোল্ডরনা ৱিকেট ৩ লৌখি অদুগা এন্দ্রি রুজেলসপু পাকিষ্টানগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী রন ১০৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৪শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা চাওনা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেট্টিংনা ওপনর খৃস গেলনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৩৪ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫০ লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর সাই হোপসু রন ১১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন নিকোলাস পুরাননা বোল ১৯ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৩৪ লৌরম্বা অসিনা টিমগী অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি।

## ‘ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০ ভেন্যু ওইবা ঙমদবা খন্থরুবদা লৈঙাকসি ইকাইনিংঙাইনি’

**এল. কালা উরিপোক**

মণিপুরী খুন্নাই য়াম্না লিরবা খুন্নাই অমনি হায়না চাওথোকচরবসু হৌজিক মালেমগী হোংলক্লিবা চাওখৎপগী লমজেলসিগা চাংদম্নরুরবদি য়াম্না শোত্থবগী থাক্তা লৈরি হায়বসি ঙসিগী লৈরিবা খুন্নাইসিনা হরাও হরাওনা য়ামিন্নবা তাই। ঐখোয়গী লম্বী থোং, ঐখোয়গী ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম, ঐখোয়গী য়ারেক্নবা হোটেল, ঐখোয়গী টুরিষ্ট স্পোট, ঐখোয়গী শান্নবুং অমদি থম্মোইগী ওইবা লুবা নানবা পূম্নমকসি অদুক্কী মতিক হন্থবা থাক্তা লৈরি হায়বসিমক্না ঐখোয় মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা মশান্না অমত্তা ভেন্যু ওইবা ঙম্বগী খুদোংচাবা ফংদে। ঐখোয় খঙবা ৱাৎলি, ঐখোয় হৈবা ৱাৎলি, ঐখোয় শান্না উবা মীৎয়েংসু য়েংবা ঙমদে হায়বসিমসু লানগদবা মান্দে।

চাংদম্নবগী ৱাফমদি নৎতে শান্নবা ভেন্যু ওইবগী মতাং অসি অদুবু ঐখোয় খঙমিন্নবা অমদি চঙই। গৱা ষ্টেট ইন্দিয়াগী লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পীকপা স্কৱার ফিট লিশিং মরি য়ৌদবা নোর্থ দিষ্ট্রিক্ট অমদি সাউথ দিষ্ট্রিক্ট হায়না দিষ্ট্রিক্ট অনীখক লৈবা ষ্টেটনি, মীশিংনা লাখ তরামঙা য়ৌদবা লমনি। (সেন্সস ২০১১) অদুগা ইন্দিয়াগী ইনাক খুনবা ষ্টেটশিংগী মনুংদসু চল্লিবা শিংথানরিবা অমনি। গৱা ষ্টেটহুদ ফংবা মণিপুরদগী চহী ১৩ / ১৪ থেংথনা লৈরগা ফংবা ষ্টেটনি অদুবু মালেমগী থাক্তা ক্রিকেট অমসুং ফুটবোল শান্নবা য়াবা মল্টিপ্রপজ ষ্টেদিয়ম ফটোরদা (নেহরূ ষ্টেদিয়ম) মরগাও, ১৯৮৯ দা মীওই ২৫,০০০ য়েংবা য়াবা ষ্টেদিয়ম শাবা লোইশিন্দুনা হাং দোকখি।

মণিপুরনা চহী ৯ / ১০ চোন্থরবা মতুংদা মালেমগী থাক্তা শান্নবা য়াবগী খুদোংচাবা ওইদবা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়ম ফিফ নেসনেল গেমস ১৯৯৯, পাঙথোকপা নংনবা শাখি। মতাং স্বাইদা য়াম্না চমম্নবা ৱাখল্লোন অমা থোরক্লিবদি পীক্কু পীকপা, মীশিংসু য়াম্না য়ামদবা গৱা ষ্টেটকী মীনা খঙবা অমসুং খনবা ৱাখলগা মীশিংসু তংখাই অমা হেন্না হেনবা পাকচাওবসু শরুক ৫। ৬ হেন্না চাওবা মণিপুর ষ্টেটকী মীনা খঙবা অমসুং খনবা ৱাখলগা কদাইদনো হাইফম খঙদবা অমদি খেন্নরি। ময়েক্কীদি চহী ৯ / ১০ চোন্থরগা শাবা ষ্টেদিয়ম্না হেন্না ফবা মওং দা শাফম থোকই। পীকচরবসু, মীশিং য়ামজদ্রবসু গৱা ষ্টেট লৈঙাক্না টুরিজম সেক্টরদা মায় ওনশিন্দুনা ইন্দিয়া মনুংগী অমসুং মপান লৈবাক্কী মীওই লাক্নবা থুংলনরবা শেমজিন শাজিনবা লেপ্তবনা মরম ওইদুনা ফিফা অন্দর সবেন্টিন মেন্স ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৭, ভেন্যু ওইবা ফংখি। মণিপুরনা শান্নরোই ৭ / ৮ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা য়াওবা ফংলবসু ভেন্যু ওইবগী খুদোংচাবদি ফংখিদে। মতাং স্বাইদা মণিপুর লৈঙাক্কী শান্নবগা মরী লৈনবা দাইত্য লৈরবা মীওইশিংনা শান্নবগীদমক মীৎকুপ অমত্তং কায়থোক্কুনা খন্থরগা লমদমসিমালেমগী থাক্তা শান্নবা মশান্না অমত্তংদি ভেন্যু ওইগে হায়না থবক ওইনা পাঙথোক্কুনা শেমজিন শাজিন্দুনা হোৎনরম্লবদি হন্দক অমুক চহী ৩ (অহুম)গী মতুংদা ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ভেন্যু ওইবগী খুদোংচাবা ফংলম্বা য়াবনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২০ অসিদসু য়ামদ্রবনা মণিপুরদগী নুপীমচা ৬। ৭ তগী তাদনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙমগনি হায়না পানরিবনি।

ফিফানা শকখঙলবা মহাদেস (কনফেদেরেশন) তরুক্তগী খনগৎলবা লৈবাক ১৬ (তরাতরুক) না শরুক য়াদুনা তরেৎশুবা এদিসন ওইনা ২০২০ গী সেপ্টেম্বর ২১ দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০ শান্নবগী ভেন্যু ফিফা ইন্সপেক্সন টিম্না এ আই এফ এফকা খূৎশম্নরগা ইন্দিয়াগী সহর মঙা খনগৎপদা (১) গৱা, (২) অহমেদবাদ, (৩) কোলকটা, (৪) ভুবনেশ্বর অমসুং (৫) মুম্বাই য়াওরি। চপ চাবমক লেপথোক্ত্রবসু। মণিপুর শান্নরোই য়াম্না পুথোকপা ঙমজরবসু হিরম খুদিংদা য়াম্না শোত্থরিবা ষ্টেট অমা ওইবনা করিসু উপাই তৈনা তরক তরক লেপতুনা লৈবা তারি। শান্নরোই ওইরম্বা ওনেরেবল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ অমসুং লেটপাও হাওকিপ, ওনেরেবল স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হৌজিক ফাওবদা খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা মেন ষ্টেদিয়ম অমদি হোক্কী ষ্টেদিয়ম ফ্লদ লাইট হাপ্তুনা ইলেক্ট্রোনিক স্কোর বোর্দ হাপ্তুনা শেমজিনবা শাজিনবা ঙমদবা হায়বসিনা তাকপদি শান্নবগীদমক মীৎকুপ অমা কায়থোক্কুনা খনদে তাকপনি। খরা হেন্না খন্থরুরবদি ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০ ভেন্যু ওইবা ঙমহৌদবা হায়বসি লৈঙাক্কী য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইবা ৱাফমনি।

## স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর কেরিয়রগী ৪০০শুবা গ্রান্দ স্লামগী মেটচ মায় পাকখ্রে, প্লিজকোভা লৈহৌরে

*পেরিস, মে ৩১(এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদরর ফ্রেঞ্চ ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কেরিয়রগী ৪০০শুবা গ্রান্দ স্লাম মেটচ মায় পাকখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলসতা নম্বর টু সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।



ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা নোরৱেগী কেস্পর রুদবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–১, ৭–৬(১০–৮) দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী বেনোট পাইরে অমদি স্পেনগী কারেনো বুস্টা সেট অমমম থোইনরবা মতুং অহুমশুবা সেট শান্নরকপদা টাই ব্রেক্তা ফ্রান্সকী শান্নরোই বেনোই পাইরেনা ৭–৬(৭–১) দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা স্পেনগী কারেনো বুস্টা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী বেনোই পাইরে মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী মার্টিন ক্লিজাননা ২২শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস পোলিবু ৭–৬(৭–৪), ২–৬, ৬–৩, ৩–৬, ৯–৭ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকনা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

১৯শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৯শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো দেমোলিনর ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ বৃটেনগী হেনরি কোন্টিনেন অমদি জোন পিয়র্সকী মখূত্তা ষ্ট্রেট সেট অনী ৩–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা গোল্ড মেডল ১০ গী মনুংদা ৫ লৌখ্রে

*ম্যুনিক, মে ৩১(এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপকী গোল্ড মেডল ১০ লৈবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা ৫ লৌদুনা মকোক ওইখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মিক্স এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা গোল্ড অমদি সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা ইন্দিয়াগী মিক্স পেয়র অঞ্জুম মোদগিল অমদি দিভ্যান্স সিংহ পনৱরনা পোইন্ট ১৬ (৬৩১.৯) ৬২৯.১ দা লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলসু ইন্দিয়াগী মিক্স পেয়র অপুর্ভি চান্দেলা অমদি দিপক কুমারনা পোইন্ট ২ (৬৩০.২) ৬২৯.০ দা ফংখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডলনা বেলারসকী মিক্স পেয়র মারিয়া মার্টিনোভা অমদি ইলিয়া চারহেকানা পোইন্ট ১৬ (৬২৭.৯) ৬৩০.০ দা লৌখি।

মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু ভাকর অমদি সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ১৭ (৫৯১) ৫৮৬ দা গোল্ড মেডল লৌখি। য়ুক্রেনগী পেয়র ওলেনা কোষ্টেভিচ অমদি ওলে ওমেলকুকনা সিলভর মেডল লৌখি অদুগা চাইনাগী পেয়র ৱাং কিয়াং অমদি ৱাং মেংয়িনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর অমদি রাহি সরনোবট কুমজা ২০২০ দা টোকিওনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্সতা কোটা ফংখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী জুনিয়র হোক্কী টিম্না কানাদাবু ২–০ দা থোইখ্রে

*দুব্লিন, মে ৩১(এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক ৪ না শান্নগদৌরিবা কেন্টর ফিটজররাল্ড য়ু–২১ ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা কানাদাগা শান্নখিবা অরোইবা অরোইবা ৱার্ম অপ মেটচতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী হোক্কী টিম্না পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা কানাদাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী গোলকিপর বিচু দেবীনা কানাদাগী শান্নরোইশিংনা য়ৈশিল্লকখিবা সোট কয়া পাঞ্জল ওইহন্দনা থমখি।

ইন্দিয়াগী পাঞ্জল অনী অদু অরোইবা ক্বার্টরদা চনখিবা ঙাক্তনি। টিম অসিগী অহানবা গোল সর্মিলা দেবীনা চল্লবা মতুং অনীশুবা গোল অদুনা মেরিয়ানা কুজুরনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা চনখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৭৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | H | I | | L | U | R | E | | | F | A | N | G | S |
| Z | A | P | | A | N | A | L | | A | U | D | R | E | Y |
| A | D | O | | F | A | D | E | | R | E | W | A | R | D |
| R | I | D | E | A | B | I | C | Y | C | L | E | | | |
| | | | X | Y | L | O | | E | A | S | E | U | P | |
| G | I | F | T | E | E | | B | A | D | | K | N | E | W |
| I | N | E | R | T | | W | A | R | I | O | | I | R | A |
| B | R | E | A | T | H | E | I | N | A | N | D | O | U | T |
| B | O | B | | E | A | S | T | S | | T | E | N | S | E |
| S | A | L | T | | M | L | S | | C | H | A | S | E | R |
| | D | E | A | R | M | E | | P | O | E | T | | | |
| | | | T | I | E | Y | O | U | R | S | H | O | E | S |
| V | I | C | T | O | R | | D | R | O | P | | K | I | P |
| A | D | U | L | T | S | | I | S | N | O | | G | N | U |
| N | O | D | E | S | | | N | E | A | T | | O | E | R |


ISOR

INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES

(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)

CANCHIPUR

**Admission Open**

**to Class XI Science (2019-20)**

**Facilities & Offers :**

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For XI Class only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22nd May to 15 days

ISOR - Educating the Minds to start-up



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**

--------

**NOTIFICATION**
**Imphal, the 30th May, 2019**

**No. BVSc/TRG/2019 -Vety :** Applications in the prescribed format are invited from intending candidates appeared in the National Eligibility cum Entrance Test (UG) – 2019 / NEET (UG) – 2019 conducted by National Testing Agency (NTA) having the following Eligibility Criteria for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course for the academic session, 2019-20 at different Veterinary Colleges as State Government Nominee. The Prescribed application form shall be available on payment of Rs. 300/- (Rupees three hundred) only from the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong **from 1st June to 15th June, 2019.**

The duly filled up prescribed Application Form along with the required documents/testimonials should be submitted to the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong on or before the dates and time as detailed below:-

| PARTICULARS | DATE |
|---|---|
| 1. Issue of Application Form | - 1st June to 15th June, 2019 (10:30 a.m. to 4:00 p.m) |
| 2. Submission of Application Form | - 10th June to 17th June, 2019 (10:30 a.m. to 4:00 p.m) ( on working days ) |

**The Selection of Intending Candidates for undergoing the said course will be based on the merit of NEET (UG) – 2019 result as notified earlier.**

**Eligibility Criteria :**

a) Passed Higher Secondary (10+2) Science Examination/equivalent Examination in all subjects from a recognized Board/Council/University with a minimum of 50% marks of aggregate in English, Physics, Chemistry, and Biology for General and OBC categories and 47.5% marks in respect of ST / SC / Physically Challenged / In – service categories in one sitting.

b) Candidates must have attained a minimum of **17 years & not more than 25 years of age on 31st December, 2019.** There shall be relaxation of maximum age by 5 years for Schedule Caste (SC) / Schedule Tribe (ST) & Other Backward Class (OBC) candidates.

c) Candidate should be a bonafide domicile of Manipur.

In case of In-service candidates of the Department, a certificate on that behalf from the Head of Department shall be enclosed and the candidate shall apply through proper channel so as to reach this Directorate on or before 17th June, 2019 (10:30 a.m. to 4:00 p.m.).

Sd /- **H.Chaoba Singh**
Director,
Vety. & A.H. Services, Manipur.

SL/BILL/1&2



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 267/SDC/SLG/IE of 2019*

*Dated: 30/05/2019*

Mayengbam Herobi Singh S/o Mayengbam Nganbi Devi of Pukhao Naharup Awang Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Mayengbam Tomba Singh S/o (L) Mera Singh of Pukhao Naharup

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 30th May 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ তহসিল খুল নং 10-Pukhao Naharup পাট্টা নং 95 (অরিবা) 218 (অনৌবা) দাগ নং 1077 মোট এরিয়া '30 একর চাওবা Ingkhol গী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা Petitioner অসিগী মমিংদা নমা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা অপতি / Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

SL/B(T) (1)/1